# মালেমগী মীওৎ মীনৈ নংলবশিংবু শৌগৎপা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : হ্যুমেন রাইটস ইনিসিয়েটিব (ঐচ আর আই) মণিপুর অমসুং য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (ৱাই এফ পি ঐচ আর) অনীনা পুন্না শীন্দুনা ওবজর্বেন্স ওফ ইন্টরনেসনল দে ইন সপোর্ট ওফ ভিক্তিমস ওফ তোর্চর ২০১৮ কী থৌরম ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর কলচরেল ইন্তিগ্রেসন কনফরেন্সকী ত্রেজরর ডা. আর কে নিমাই রিটায়র্দ আই এ এস, য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী প্রসিদেন্ট ফজতোন মঙাং অমসুং ঐচ আর আইগী এক্তিং চ্যেয়রমেন য়ুম্নাম রতনকুমারনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা ৱাই এফ পি ঐচ আরগী ৰুমেন ৱিঙগী সেক্রেটরি মেরিনা কোন্সমনা হায়খি, কুমজা ২০০৪ দা অসাম রাইফলসকী মীওৎ মীনৈদা লৈখিদ্রবী থাংজম মনোরমাবু তমথিনা ওৎ নৈরবা মতুংদা হাৎখিবা থৌদোক অমদি সাইকোলোজিকেলগী ওইবা চৈথেং ফঙদুনা লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংনা নংলিবা চৈথেং অদু ঙসিসু কোক্ত্রি। ভিক্তিম ওইরিবশিংবু অচুম্বা, অশেংবা ফঙহনবীবগী মহুত্তা ক্রাইম অদুবু কম্মিট তৌরিবা ইন্দিয়াগী আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিংবু লৈঙাক্লা ঙাক শেন্দুনা থল্লি। মসিনা তাকপদি ষ্টেট ওন দিজাইন ক্রাইমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। কনভেন্সন এগেনষ্ট তোর্চর রেত্তিফাইদ তৌদ্রিবগী মরম করিগীনো হায়না হংফম থোকই।

তোঙান তোঙানবা মীওৎ মীনৈগী থৌদোক কয়া ঙসি লমদম অসিদা নংখ্রবা মীওইশিংনা তকশি শোল্লগা খাঙদুনা লাক্লিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা য়ুম্নাম রতনকুমারনা হায়খি, লুপ অনী অসিনা খুৎশম্নরগা ঙসি শীল্লিবা থৌরম অসি লমদম অসিদা মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফঙবা মফম অমা ওইনা পাঙথোকফম থোকপনি। মালেমদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিং অসি অচৌবা নৎত্রগা অকনবা মীশিং য়াম্বা কাঙবুনা অশোনবা মীশীং য়ামদবা কাঙবুবু নমথবিবগী ৱাথোক ময়াম অমা থোক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মায়োক্তা ঈচং থৌনা থেংনমিন্নবা চঙই।

থৌরম অদুদা ডা. থরোইজম উতম, সী আর এ এমগী সেক্রেটরি য়ুম্নাম জিতেন অমদি ফিদমগী প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎসু ৱা ঙাংখি। লোয়ননা শক্ল াইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# গ্লোবেল দে ওফ এক্সন ২০১৮ হায়বা থিমদা *সপোর্ট দোন্ট পুস* কী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : হার্ম রিদক্সন নেটৱার্ক মণিপুর (ঐচ আর এন এম) না শীন্দুনা *সপোর্ট দোন্ট পুস* প্রোতেক্ত দি রাইট ওফ পীপল হু য়ুজ দ্রগস হায়বা থিমদা গ্লোবেল দে ওফ এক্সন ২০১৮ কী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মেক্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্তর এ রাধাবিনোদ শর্ম্মা, আই এ এস, অমজুগী এক্তিং প্রসিদেন্ট কে সরোজকুমার অমসুং ঐচ আর এন এমগী প্রসিদেন্ট হিজম দিনেসনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ঐচ আর এন এমগী কনভিনর আর কে টিকেন্না হায়খি, দ্রগ চাবা মীওই অমা দ্রগ থাদোকহনসি হায়রগদি ঐখোয় য়াম্না কুপ্ন া নৈনবা অমা চঙই। দ্রগ চাবশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি হোংদোক্ত্রগদি দ্রগ চাবশিং অসি ফহনবা ঙমগদবা মান্দে। দ্রগ চাবা মীওইশিংবু ক্রিমিনেল অমগুম্না তোর্চর তৌবা, ফুবা অমদি দ্রগ চাবা মীওই অদুগী ময়ুম মকৈ থুগায়বিবা, নুপীশিংবুনা মশম ককথৎপীবনচিংবা, মোব জষ্টিস তৌবীবা অসিনা দ্রগ চাবশিং ফহনবা ঙম্লোই হায়খি।

# পোষ্টর-পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি: দেসাম

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদ্যুকেসন জোন দিমান্দ দেগা মরী লৈননা দেসামনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদ্যুকেসন জোন হায়বা হিরমদা পোষ্টর পেন্টিং কম্পিটিসন অমদি স্লোগান কম্পিটিসন থাজিল্লকপগী অরোয়বা মতম থা অসিগী ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে।

কম্পিটিসন অনী অসিবু য়াওনিংবা মহৈরোয়শিংনা এ ফোর সাইজদা ইথোক্লবা স্লোগান অহুমগা লোয়ননা মহৈরোয় অদুগী বাইও দাটা অমদি পোষ্টর পেন্টিং কম্পিটিসনগী ওইনা এ থ্রি সাইজদা য়েকথোক্লবা পোষ্টর অমা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা দেসামগী ময়াই লোইশঙদা ওফিস অৱরগী মতমদা য়ৌহনবিরকউ হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ফিলেমচা বালেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# এন জুগেশ্বরনা লৈখিদবদা জে এস সী সী, দেসামনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটি (জে এস সী সী) গী মেম্বর ওইরম্বা নিংথৌজম জুগেশ্বরনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা থা অসিগী ২৫ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি এমসু হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

জে এস সী সীগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এন চেতন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, এন জুগেশ্বরনা লৈবাক মীয়ামগী তৌবিরম্বা খুদিংমক শীংথাদুনা লোয়বা নাইররোই অমসুং মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং অদু মহৈরোয়শিংগী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা জে এস সী সীনা কৈদৌনুংদা কাওবা ঙম্লোই।

জে এস সী সীগী মেম্বরশিংনা মীনিট অনী তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা নিংথৌজম জুগেশ্বর এলিয়জ অবুংচা মৈতৈ, খুরাই থাংজম লৈকায়দা লৈবনা লৈখিদবদা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন দা পি বি মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নিংথৌজম জুগেশ্বরনা খঙহৌদনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা দেসামনা থম্মোয় শেংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মহৈরোয়শিংগী মরুপ, মীয়ামগী লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসিমক ঙসি ঙসিমক ইরমদম খুন্নাই অসিদা শোত্থনা লৈরিবা মহৈ-মশিনগী হিরমদা অমুক্কা হেন্না মেনশিনবা ঙমদবগী অৱাবা অদু মহৈরোয়শিংনা থেংনহৌরগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# এ আরনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (সাউথ) কী য়ুনিটশিংদা ঙসি ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমশিং অদু মরুওইনা খুন্নাই অসিদা অমদি মীয়ামদা দ্রগ শীজিন্নবনা হকচাংদা শোকহল্লিবা অদু মীয়ামদা থোইদোক হেন্দোক্লা খুন্নাইদা খঙহন্নবগী পান দমদনি। মীয়ামগী মরক্তা অসিগুম্বা পাউজেল শন্দোক্লবা থৌরম অসি মপুং ওইনা পাঙথোকখিবনি।

অসাম রাইফলসনা মণিপুর অসি দ্রগ ফ্রি ষ্টেট অমা ওইনবা পান্দম থল্লি। ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী কম্পেনি ওপরেটিং বেজশিং ওইরিবা য়াইরিপোক, চন্দ্রখোঙ, অপ্পর খোইরিপোক অমসুং ফুন্দ্রে বট্টালিয়নগী তৌবুলদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

মীয়ামগী মরক্তা খুন্নাই অসিগী মাঙনবগী মশক ওইরিবা দ্রগ লল্লোনবশিং অমসুং শীজিন্নরিবা মীওইশিংদগী মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা মীয়ামদা পাউজেল পীখি।

টুলিহল বট্টালিয়নগী কম্পেনি ওপরেটিং বেজশিং ওইরিবা ময়াং ইম্ফালদা এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সুর রাসি ইলিট স্কুল অমদি খুমন মহৈকোল স্কুলগী মহৈরোয় ৩০০ রোমনা ঈং তপ্পা খোঙচৎ অমসু চৎখি।

১০ সেক্তর অসাম রাইফলসকী সংসট বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা সংসট, সগোলমাঙ, লিতান অমসুং মহাদেবনচিংবা কেম্পশিংদা দ্রগ এৱ্যেরনেস কেম্পেয়্নচিংবা কয়া পাঙথোকখি। কেম্পেয়্ন অদু লমদম অসিদা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী থৌওং হেনগৎলক্লিবা অসি থিংহৌনবগী পান দমদনি। লমদম অদুগী মহৈরোয়শিং অমদি য়ুথ ক্লবশিংনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পোষ্টর অমদি পমফ্লেটনচিংবা য়েন্থোকখি। শগোলমাঙদা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী লেকচরনচিংবসু পাঙথোকখি। সংসট, লিতান, মহাদেব কেম্প অমসুং ন্যু হেভনদা মহৈরোয়শিংনা এৱ্যেরনেস মাস খোঙচৎ অমসু চৎখি।

২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা পল্লেলদা লৈবা অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুলদা দ্রগ এব্যুজ অমসুং ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিংগী মরমদা মহৈরোয়শিংদা ৱাখল তাহন্নবা পাউজেল শন্দোকখি।

অমরোমদা, ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসকী ককচিং বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, দেরাদুনগী তেঙবাংগা লোয়ননা দিরেক্তোরেট ওফ মেদিকেল এন্দ হেল্‌ঠ সর্ভিসেস, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জৌবেং ভিলেজদা মেদিকেল কেম্প-কাউন্সেল্লিং-কম ইন্টরেক্তিব সেসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মেদিকেল কেম্প অদুদা দোক্তর তরুক, মেদিকেল ষ্টাফশিংনা পুন্না মীওই ২৩০ রোম লায়েংখি অমদি লেম্না হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি হায়রি।

মরকসিদা, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ৱেলফেয়র এক্তিভিটিগী শরুক অমা ওইনা মোরেগী ঐচ মোলজাং ভিলেজদা ৱাটর সপ্লায় স্কীম অমা হাঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা শাখিবা ৱাটর সপ্লায় স্কীম অদুনা মফম অদুগী মীওই ১২২ রোমদা কান্নবা পীরগনি হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# হেরোইন পাউদর ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : এন এ বি মণিপুরনা মাঙজৌননা পাউ ফঙবদগী ঙরাং অয়ুক পুং ৮.৪০ রোম তাবদা কৈথেলমানবী আউটপোষ্ট মমাংদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোং নুঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দগী এম দি জাকির (২১) অপোকপা এম দি অব্দুল নুর হেরোইন পাউদর নম্বর ফোর গ্রাম ২১০ গা লোয়ননা টাটা ট্রক অমদগী ফারে হায়রি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No. : 729 # 9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road (Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018 (Separate CBSE, BOSEM & COHSEM Batches)
WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER
SCIENCE
ARTS



HL-B/46586/28/5-27/6

DOCTOR AVAILABLE

1. Senior Physician — 8:30 AM to 12 NOON
2. Senior Orthopedic, Arthroscopic & Spine Surgeon — 6:30 AM to 9:30 AM, 3:30 PM to 5:00 PM
3. Dermatologist (Skin Specialist) — 7:00 AM to 9:00 AM


AT
KANGLA VIEW PHARMACY
(AADARSH COMPLEX)
KANGLA PARK IMPHAL
MOBILE NO.: ☎ 9402671568
HL-P/4020/27

ঈশিং ওর্দর লৌজরি (লিটর ২৫০০)

ইম্ফাল এরিয়াগী ওইনা ঈশিংগী ওর্দর লৌজরি (লিটর ২৫০০)। কনাগুম্বা ঈশিং দরকার লৈবিবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা লাইন লৌবীরকউ।

HL-P/4018/26&27 Contact: ☎ 7085777118 / 8131939647

মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙ্খিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙ্গরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটুলৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/4699/19/6-18/07

হৈস্নাম শাগৈগী পাউজেল

লাক্লিবা তাং ২৮/০৬/২০১৮ ইং, শগোলশেন নুমিৎ অসিদা হৈস্নাম শাগৈ অসিগী চহীগী ওইবা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা চাকলোঙ কৎপা নুমিৎ তারে। মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা শাগৈচা অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা অয়ুক্কী পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবীনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

*পাউজেঞ্জরিবাঃ হৈস্নাম মনি মৈতৈ (পীবা)*
*ময়াং ইম্ফাল চিরাই লিতান মখোং*

HL-P/1724/26&27 ☎ 9612228271

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
CASIAN Toppers of HSLC Examination 2018



8th Position LANCHENBA OINAM
19th Position DEEPAK OINAM
ROHIT KHUMUKCHAM
MAIBAM STEPHEN
LUNGINMANG HAOKIP

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4647/26,27,29,2,3,5

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
Timing: 5:00 am to 7:00 pm, 4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:



FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (4 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharambi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Namidy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrilunjoy (3 Yrs Experience in Teaching)

1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenlliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chatan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Boeja (5 Yrs Experience in Teaching)

HL-P/3359/15/6-15/7

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3351/3/5-3/6

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN
KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA
SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only

ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 27th June 2018
Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%
A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal

4th GATEWAY ABROAD INTERNATIONAL EDUCATION EXPO 2018
FREE ENTRY
at Nupi Lal Memorial Complex, Imphal, Manipur
On 23, 24, 25 June, 2018

PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust (JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School, Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE : A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Contact No. : 8974084294, 9615706900, 8415930784, 8794249895
HL-P/1549/6/6-6/7